**Series ONS** **SET-4**

**Code No. 11**

**Roll No.** | | | | | | | |

Candidates must write the Code on the title page of the answer-book.

- Please check that this question paper contains **6** printed pages.
- Code number given on the right hand side of the question paper should be written on the title page of the answer-book by the candidate.
- Please check that this question paper contains **17** questions.
- **Please write down the Serial Number of the question before attempting it.**
- 15 minute time has been allotted to read this question paper. The question paper will be distributed at 10.15 a.m. From 10.15 a.m. to 10.30 a.m., the students will read the question paper only and will not write any answer on the answer-book during this period.

# মণিপুরী

# MANIPURI

*মতম : পুং 3* *সর্বমোট অঙ্ক : 100*

*Time allowed : 3 hours* *Maximum Marks : 100*

1. ক্লোজ অমসুং ফ্রেজ অনীগী খেন্নবা খূদম পীদুনা তাকউ। **5**

2. সন্ধি কদায়বু কৌবগে? যখল কয়া শুবগে? খূদম অমমম পীদুনা তাকউ। **1+1+3=5**

3. মখাদা পীরিবা ৱাহৈপরেংশিং অসি করম করম্বা মখলগী ৱাহৈপরেংনো হায়বদু তাকউ : **5x1=5**

(ক) মহাক ইনাক খুনবা হায়বদু ওইরসনু।

(খ) ঐ মদু করি অমতা খঙদে।

(গ) মহাক চৎথিবা য়াম্না ফরে।

(ঘ) অঙাং অদু লাক্ত্রিবরা?

(ঙ) লিন! লিন! চেনথোরক্লে।

4. মখাদা পীরিবশিং অসিগী ব্রেকেট মনুংদা তাকপগী মতুংইন্না ওন্থোক্লগা ইয়ু : **5x1=5**

(ক) মীওইবা খূদিংমক শিবা নাই। (নেগেটিভ সেন্তেন্স (ওইদবা খঙনবা ৱাহৈপরেং) দা ইথোকউ।)

(খ) মহাক ইনাক খুল্লি অদুবু চাউথোক্তে। (সিম্পল সেন্তেন্স (অচম্বা ৱাহৈপরেং) দা ইথোকউ।)

(গ) মহাক পূং তরাদা লাক্কনি। ঐনা পূং তরাদা চৎকনি। (কম্পাউন্দ সেন্তেন্স (তিন্নবা ৱাহৈপরেং) দা ইথোকউ।)

(ঘ) নুমিৎ অদুদা তোম্বা লাকখিদে; মরম অদুনা ঐগা উন্নখিদবনি। (কমপ্লেক্স সেন্তেন্স (য়ান্নবা ৱাহৈপরেং) দা ইথোকউ।)

(ঙ) মহাক লাইরিক পারম্মি। (ইন্টরোগেটিভ সেন্তেন্স (হংবা খঙনবা ৱাহৈপরেং) দা ইথোকউ।)

5. মখাগী ৱারেং মতেক অসি পারগা পীরিবা ৱাহংশিংগী পাউখূম পীয়ু :

ঐগী ইরৈবাক মঙেহন্নিংদবগুম মীগীসু মাঙহন্নিংদে। ইরৈবাক মাঙহনগে তৌররিবা তৌরিবা মীদুবু ঐগী খ্বাইদগী ফত্তবা য়েক্লবা ওইনা য়েংবগুম ঐনা মীগী মরৈবাক মাঙহনগে তৌরুরবদি ঐবু খ্বাইদগী তমথীরবা নুংশি হৈতবা অরানবা চৎপা মীনি হায়না লৌগনি হায়বা ইরায়-লায়বা অচুম্বসিমতবু মুন্না খঙনরবদি লান হায়বসি ৱাহৈমখৈ লৈরম্লবমু মশক ওইনদি থিবা ফংলমলোইদবনি। অদুবু পঙনা পানবা তাইবঙ মীওইবনা মসিদবু খন্থদে। হৌজিক তাইবঙ পানবদা চৎনরিবদি খোৎ-খোৎপনিদি হায়বা য়াদে, ঐগী ইরৈবাক ইজাতিগীদমক মী অতৈগী মরৈবাক মজাতিবু নুংশিবা পূন্ন মক থাদোকহন্নিংই। মদুদি য়াবা হৌনদবনিনা, মরৈবাক মজাতি নুংশিবা হায়বসি মী পূন্নমক্কী মপোকঙৈদগী য়াওরকপা ওইবনা লান হায়বসি থোকইবসিনি।

(ক) মীপুম খূদিংমক্কা খন্থনীংঙাই ওইবা ৱাখল অদু করিনো? 1

(খ) 'লান' হায়বসি ৱাহৈ ওইনা লৈবগা মশক ওইনা লৈবগা অনীগী নুংগী খেন্নবা করিনে 1

(গ) তাইবঙ মীওইববু পঙনা পাল্লি করম্না হায়রিবনো? 2

(ঘ) মী ওইবা কনানা য়াবা ঙমলোইদবা মী ওইবদা লৈবা শাজৎ অদু করিনো? 1

6. মখাদা পীরিবা হীরমশিং অসিদগী অমতং খল্লগা ৱাহৌদোক অমসুং ৱারোইশিন য়াওনা ৱারেং (এসে) অমা ইয়ু : 8

(ক) বিজ্ঞান অমসুং মী ওইবা।

(খ) ঈশিং ঈচাউ।

(গ) হকচাং শাজেল।

7. নহাক্না শিলচরদা লৈবা মনিনি হায়না খল্লগা নহাক্কী পুন্সিগী অপাম্বা শিনফম করিনো হায়বদু তাক্কুনা ইম্ফালদা লৈবা মরুপ চাউতোনদা চিঠি অমা ইয়ু। (চিঠিদা নশাগী অমদি স্কুলগী মিং থাবা য়াদে।) 6

8. মখাদা পীরিবা পাউরৌশিং অসি অরায়বা লোন্দা অর্থ পীদুগ ইয়ু : **2x3=6**

(ক) খোঙ চোৎলবদি চীন চোৎলি।

(খ) তুমদবা মী হৌদোকপা লুই।

9. য়াওফম অমসুং মরী মখোঙ তাক্লুনা শন্দোক্লা ইয়ু : **6**

(ক) পুন্সিগী লমখাংদা মনুং মতম চাদনা লাইরৈবাক তানখ্রবা মপুরোইবগী ঈ তোংগী মহুৎশিন্নবা মচাবু মী ওইনবা শেম্বনা মপুরোইবগী সেবা মতোল্লোম্বনি খঞ্জরবী অনোম কনবী লুখ্রাবী মৈতৈ নুপীনি।

**নৎত্রগা**

(খ) ''নঙনা খঙবা পোৎ নত্তেদা, ঐখোয়দি মী নাইলিনে। ভারত্তি সাহেবকী মী নাইলে-মণিপুরসু মী নাইলে। মী নাইদি মপুনা কৌবা মতমদা চৎকদবনি।''

10. ''হৌজিক মতম অমা লাক্লে, মতম অসিদদি তিন্নবা অমসুং শেমগৎপনা মরু ওইরক্লে।''-ৱাফম অসি কনানা করি মরমগীদমক করম্বা মতমদা হায়খিবলো? মরমশিংদু শুগায়না তাকউ। **2+4=6**

11. ''ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা নুংশিৎকী ফিঙমদা হৌজিক চাউরবা অহোংবা কয়া লাক্লে।''-নুংশিৎকী ফিঙমদা অহোংবা লাক্লে হায়রিবসি করিনো? নুংশিৎ করম্না মোৎশিল্লকপগে? করম্না নুংশিৎ শেংনা থমগদগে? **1+2+3=6**

12. অনীদং খল্লগা তেন্তক্লা পাউখুম পীয়ু : **2x4=8**

(ক) ঐচ, আই, ভি, পক্তনবগীদমক্তা নহারোলশিংনা তৌরোইদবা করি করিনো?

(খ) সনাহোংবা অমসুং য়াইসনা না করিগীদমক ৱার্কসোপ অমা লিংখৎপা পাল্লিবনো?

(গ) বিজ্ঞান না য়াম্না ৱাংবা থাক য়ৌরকপা মতমদা করি করিদা মীওইবগী মতেং পাংবগে?

13. মখাদা পীরিবশিং অসিগী পাউখূম তেন্না তেন্না পীয়ু : **4x1=4**

(ক) মৈতৈ নুপী ঙায়োনবীবু 'ৱাইথৌ শগোল' হায়না করিগী কৌরিবনো?

(খ) তম্পাক্না কোন ফেংনা ফেংনা নোক্লিবা করিগীনো?

(গ) গ্রীক লৈবাক্কী বিজ্ঞানিকশিং অমসুং ফিলোসোফরশিংনা থৱায় পানবশিংগী মশাদা করম্বা পোৎচঙনা মরুওইবনি হায়না লৌনরকপগে?

(ঘ) ঐচ, আই, ভি, করম করম্বা পোৎশক্তা য়াওবগে?

14. য়াওফম অমসুং মরী-মখোঙ তাক্তুনা শন্দোক্না ইয়ু : **6**

(ক) (পলেম নীংবা ইনাওশা!)

কোৰ্ব্বেক মাঙদা থা

খোর্জ্জে খূত্তা পায়

পলেমগী নীংথিবা খোৎচিলহৌ।

**নৎত্রগা**

(খ) ঈরুপ্তুনা শান্নে ঐনা

চুপ লূপ্লগা

য়াম্না কুইরবা তুংদা

ফোং ফাওগৎলি

অমুক ঐনা।

15. ''ঈগী ঈঙাক্তা চেল্লে থক থক নীক্লে **2+4=6**

ঙসিসু কোক্ত্রিবরা অদুঙৈগী

ডিখৌগী নীংশিং ঈচেন্দা তাউথরি মঙ অমা

ঙসিদি খল্লি তাইবঙনি।''

-'ঈগী ঈঙাক্তা চেল্লে থক থক নীক্লে' হায়রিবসি করিগীনো? ডিখৌগী ঈচেলদা তাউথরিবদু করি মঙনো?

16. অনীদং খল্লগা তেন্তক্না পাউখূম পীয়ু : 2x4=8

(ক) ''কৈদনো অদুক খঞ্জানরিবা 1+1+2=4

লৈনমনা লৈকাই শাৎলবদা

খোইমু খোইরেন ইল্লবদা

অমুক কৈদনো!''

-কবিনা কলাদা হায়বা ৱানো? খঞ্জানরিবা অসি কনানো? করি মরমগী খঞ্জানরিবনো?

(খ) ''কৈসু য়াওদ্রবা মপুক হোত্রোং হোরবা হাল্লবা''-মপুক হোত্রোং হোরিবসি কনাবুনো? করিগী দমক্তা অসুম্না হায়রিবলো? 1+3=4

(গ) ''তাইবঙ মিত্রং মিংশেন্দা অ ওইবা শক্লোন উরনি''-করম্বা তাইবঙ মিংশেননো হায়বদু তাকউ। 4

17. মখাদা পীরিবশিং অসিগী পাউখূম তেন্না তেন্না পীয়ু : 5x1=5

(ক) কবি চাউবনা পোক্লফম ইমাদা কৎনবা করি লৈ হায়বগে?

(খ) 'য়ারল পাৎকী তোমথিনলৈ' হায়রগা করিবু খঙনবগে?

(গ) ঙানু থঙ্গোংগী মশানা অসুম অসুম চুপশিনখিবদু অতিয়ারা নৎত্রগা ঈপাকলা?

(ঘ) করিগীদমক্তা মী ওইববু 'মমীৎ তাঙখ্রে' হায়রিবনো?

(ঙ) মালেমদা অনৌবা কুমগী কুমদমখোননা করি পুদুনা লাকখিবগে?